CAREERINDIA

**Lang. Code : 10**

इस पुस्तिका में **20** पृष्ठ हैं ।

This booklet contains **20** pages.

# AAT-20-II

**प्रश्न-पत्र II / PAPER II**

**मणिपुरी भाषा परिशिष्ट**

**Manipuri Language Supplement**

**भाग IV & V / PART IV & V**

**परीक्षा पुस्तिका संकेत**
**Test Booklet Code**

**M**

**परीक्षा पुस्तिका संख्या**
**Test Booklet No.**

**इस परीक्षा पुस्तिका को तब तक न खोलें जब तक कहा न जाए ।**

**Do not open this Test Booklet until you are asked to do so.**

**इस परीक्षा पुस्तिका के पिछले आवरण (पृष्ठ 19 व 20)पर दिए निर्देशों को ध्यान से पढ़ें ।**

**Read carefully the Instructions on the Back Cover (Page 19 & 20) of this Test Booklet.**

**मणिपुरी में निर्देशों के लिए इस पुस्तिका का पृष्ठ 2 देखें । / For instructions in Manipuri see Page 2 of this Booklet.**

## परीक्षार्थियों के लिए निर्देश

1. यह पुस्तिका मुख्य परीक्षा पुस्तिका की एक परिशिष्ट है, उन परीक्षार्थियों के लिए जो या तो भाग IV (भाषा I) **या** भाग V (भाषा II) **मणिपुरी** भाषा में देना चाहते हैं, लेकिन **दोनों नहीं** ।
2. परीक्षार्थी भाग I एवं भाग II **या** III के उत्तर मुख्य परीक्षा पुस्तिका से दें और भाग IV व V के उत्तर उनके द्वारा चुनी भाषाओं से ।
3. अंग्रेज़ी व हिन्दी भाषा पर प्रश्न मुख्य परीक्षा पुस्तिका में भाग IV व भाग V के अन्तर्गत दिए गए हैं । भाषा परिशिष्टों को आप अलग से माँग सकते हैं ।
4. इस पृष्ठ पर विवरण अंकित करने एवं उत्तर पत्र पर निशान लगाने के लिए **केवल काले/नीले बॉल पॉइंट पेन** का प्रयोग करें ।
5. इस भाषा पुस्तिका का **संकेत** है **M** । यह सुनिश्चित कर लें कि इस भाषा परिशिष्ट पुस्तिका का संकेत, उत्तर पत्र के **पृष्ठ-2** एवं मुख्य परीक्षा पुस्तिका पर छपे संकेत से मिलता है । अगर यह भिन्न हो, तो परीक्षार्थी दूसरी भाषा परिशिष्ट परीक्षा पुस्तिका लेने के लिए निरीक्षक को तुरन्त अवगत कराएँ ।
6. इस परीक्षा पुस्तिका में **दो** भाग IV और V हैं, जिनमें **60** वस्तुनिष्ठ प्रश्न हैं, जो प्रत्येक 1 अंक का है :
   भाग-IV : भाषा-I (मनीपुरी) (प्र. 91 से प्र. 120)
   भाग-V : भाषा-II (मनीपुरी) (प्र. 121 से प्र. 150)
7. भाग-IV में भाषा-I के लिए 30 प्रश्न और भाग-V में भाषा-II के लिए 30 प्रश्न दिए गए हैं । इस परीक्षा पुस्तिका में केवल मणिपुरी भाषा से संबंधित प्रश्न दिए गए हैं । **यदि भाषा-I और/या भाषा-II में आपके द्वारा चुनी गई भाषा(एँ) मणिपुरी के अलावा है तो कृपया उस भाषा वाली परीक्षा पुस्तिका माँग लीजिए । जिन भाषाओं के प्रश्नों के उत्तर आप दे रहे हैं वह आवेदन पत्र में चुनी गई भाषाओं से अवश्य मेल खानी चाहिए ।**
8. **परीक्षार्थी भाग-V (भाषा-II) के लिए, भाषा सूची से ऐसी भाषा चुनें जो उनके द्वारा भाषा I (भाग-IV) में चुनी गई भाषा से भिन्न हो ।**
9. रफ कार्य परीक्षा पुस्तिका में इस प्रयोजन के लिए दी गई खाली जगह पर ही करें ।
10. सभी उत्तर केवल OMR उत्तर पत्र पर ही अंकित करें । अपने उत्तर ध्यानपूर्वक अंकित करें । उत्तर बदलने हेतु श्वेत रंजक का प्रयोग निषिद्ध है ।

## *INSTRUCTIONS FOR CANDIDATES*

1. This booklet is a supplement to the Main Test Booklet for those candidates who wish to answer **EITHER** Part IV (Language I) **OR** Part V (Language II) in **MANIPURI** language, but **NOT BOTH**.
2. Candidates are required to answer Part I and Part II **OR** III from the Main Test Booklet and Parts IV and V from the languages chosen by them.
3. Questions on English and Hindi languages for Part IV and Part V have been given in the Main Test Booklet. Language Supplements can be asked for separately.
4. Use **Black/Blue Ball Point Pen only** for writing particulars on this page / marking responses in the Answer Sheet.
5. The CODE for this Language Booklet is **M**. Make sure that the CODE printed on **Side-2** of the Answer Sheet and on your Main Test Booklet is the same as that on this Language Supplement Test Booklet. In case of discrepancy, the candidate should immediately report the matter to the Invigilator for replacement of the Language Supplement Test Booklet.
6. This Test Booklet has **two** Parts, IV and V, consisting of **60** Objective Type Questions, each carrying 1 mark :
   Part-IV : Language-I (Manipuri) (Q. 91 to Q. 120)
   Part-V : Language-II (Manipuri) (Q. 121 to Q. 150)
7. Part-IV contains 30 questions for Language-I and Part-V contains 30 questions for Language-II. In this Test Booklet, only questions pertaining to Manipuri language have been given. **In case the language/s you have opted for as Language-I and/or Language-II is a Language other than Manipuri, please ask for a Test Booklet that contains questions on that language. The language being answered must tally with the languages opted for in your Application Form.**
8. **Candidates are required to attempt questions in Part -V (Language-II) in a language other than the one chosen as Language-I (in Part-IV) from the list of languages.**
9. Rough work should be done only in the space provided in the Test Booklet for the same.
10. The answers are to be recorded on the OMR Answer Sheet only. Mark your responses carefully. No whitener is allowed for changing answers.

परीक्षार्थी का नाम (बड़े अक्षरों में) :
Name of the Candidate (in Capitals) : ____________________

अनुक्रमांक : (अंकों में) ____________________
Roll Number : in figures

: (शब्दों में) ____________________
: in words

परीक्षा केन्द्र (बड़े अक्षरों में) :
Centre of Examination (in Capitals) : ____________________

परीक्षार्थी के हस्ताक्षर : ____________________
Candidate's Signature :

निरीक्षक के हस्ताक्षर : ____________________
Invigilator's Signature :

Facsimile signature stamp of
Centre Superintendent ____________________

**M**

www.careerindia.com

CAREERINDIA



**Lang. Code : 10**

# AAT-20-II

টেস্ট বুক্লেট্ কোড

**M**

বুক্লেট্সি লমায় 20 য়াওই ।

## পেপর II

## মণিপুরী লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট

## ভাগ IV & V

**হায়রক্লিফাওবা টেস্ট বুক্লেট অসি হাংদোক্নু ।**

**বুক্লেট্সিগী নীতি-নীয়মশিং (instruction) (সাইদ 19 & 20) অসি য়াম্না চেকশিন্না পাউ ।**

***কেন্দিদেটসিংদা পীবা ইন্সট্রক্সনসিং :***

1. বুক্লেট্সি **মণিপুরী** লেঙ্গুয়েজদা পার্ট IV (লেঙ্গুয়েজ I) নত্রগা পার্ট V (লেঙ্গুয়েজ II) দা পরিক্ষা থানিংবা কেন্দদেটসিংগীদমক ম্যেন টেস্ট বুক্লেট্তুগী সপ্লিমেন্ট অমনি । অনিমক্তি পুন্না পরিক্ষা থাবা য়ারোই ।
2. কেন্দিদেটসিংনা ম্যেন টেস্ট বুক্লেটতগী পার্ট I অমসুং পার্ট II **নত্রগা** III অমসুং মখোয়না খনবা লেঙ্গুয়েজসিংদগী পার্ট IV অমসুং V কী পাউখুম পীবা দরকার লৈ ।
3. ইংরাজি অমসুং হিন্দী লেঙ্গুয়েজসিংগী পার্ট IV অমসুং পার্ট V ৱাহংসিং ম্যেন টেস্ট বুক্লেট্তা পীরে । লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্টসিংগীদমক তোঙান্না হংবা য়াই ।
4. লমায়সিদা পার্টিকুলারসিং **ইননবা অমুবা / হীগোক মচু বোল পোইন্ট পেনখক্তংমক** শীজিন্নৌ ।
5. লেঙ্গুয়েজ বুক্লেট্সিগী কোডতি **M** নি । আনসর **শীতকী সাইড-2** দা ইরিবা কোডতুগা অমসুং ম্যেন টেস্ট বুক্লেট্তা ইরিবদুগা লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট বুক্লেট্কীসিগা চপ মান্নৱা হায়না য়েংউ । মান্নদবা থোক্লবদি কেন্দিদেটনা খুদক্তা লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট বুক্লেট্ অদু শীন্দোক্লবা ইনভিজিলেটরদা রিপোর্ট তৌগদবনি ।
6. বুক্লেট্ অসিগী পার্ট **অনিনি** IV অমসুং V । মসিদা ৱাহং অমমমদা মার্ক অমা পীবা ৱাহং **60** যাওই :

   পার্ট IV : লেঙ্গুয়েজ – I (মণিপুরী) (ৱা : 91 দগী ৱা : 120)

   পার্ট V : লেঙ্গুয়েজ – II (মণিপুরী) (ৱা : 121 দগী ৱা : 150)
7. পার্ট IV লেঙ্গুয়েজ I গী ৱাহং 30 য়াওই অমসুং পার্ট V লেঙ্গুয়েজ II গী ৱাহং 30 য়াওই । বুক্লেট অসিদা মণিপুরী লেঙ্গুয়েজদংগা মরিলৈনবা ৱাহং হংই । **নহাক্না নঙগী লেঙ্গুয়েজ I অমসুং নত্রগা II ওইনা খনবা লেঙ্গুয়েজসিংদু মণিপুরী নত্রবদি লেঙ্গুয়েজদুদা ৱাহং হংবা টেস্টবুক্লেট্ অমা পীনবা হায়বীয়ু । পাউখুম পীরিবা লেঙ্গুয়েজসিংদু নহাক্কী এপ্লিকেশন ফোর্মদা ইখিবা লেঙ্গুয়েজসিংগা মান্নগদবনি ।**
8. **কেন্দিদেটসিংনা লেঙ্গুয়েজসিংগী লিষ্টতগী লেঙ্গুয়েজ I ওইনা খনখিবদু নত্তবা অতোপ্পা লেঙ্গুয়েজ অমদা পার্ট V (লেঙ্গুয়েজ II)দা য়াওরিবা ৱাহংসিংগী পাউখুম পীবা দরকার লৈ ।**
9. টেস্ট বুক্লেটতা পীরিবা মফমদুতদা রফ ৱর্ক তৌগদবনি ।
10. পউখুমসিংদু OMR পাউখুম চেদা ইগদবনি । নঙগী পাউখুসিংদু চেকসিন্না মার্ক তৌ । পাউখুমসিং হোংনবা মুক অঙৌবা শীজিন্নবা য়াদে ।

কেন্দিদেটকী মীং (অচৌবা ময়েক্তা) : ____________________

রোল নম্বর : অঙ্ক ময়েক্তা ____________________

: ৱাহৈদা ____________________

পরীক্ষাগী সেন্টর (অচৌবা ময়েক্তা) : ____________________

কেন্দিদেটকী সিগনেচর : ____________________ ইনভিজিলেটরগী সিগনেচর : ____________________

Facsimile signature stamp of

Centre Superintendent ____________________

www.careerindia.com

CAREERINDIA



কেন্দিদেতশিংনা **Manipuri Language-I** লৌরবদি পার্ট-**IV** গী ৱাহং **(91-120)** ফাওবগী পাউখুম পিনবা হোৎনগদবনি।

Candidates should attempt the questions from **Part-IV (Q.No. 91-120)**, if they have opted **MANIPURI** as **LANGUAGE-I** only.

www.careerindia.com

CAREERINDIA



## Part – IV / ভাগ – IV
## Language – I / ভাষা – I
## MANIPURI / মণিপুৰী

কেন্দিদেতশিংনা **Manipuri Language-I** লৌরবদি **পার্ট-IV** গী ৱাহং **(91-120)** ফাওবগী পাউখুম পিনবা হোৎনগদবনি।

**মখাদা পীরিবা ৱারেং অসি পুন্না পারগা মখাদা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী কান্নবা পাউখুম পীয়ু। ৱাহং (91-99)**

থকশি খাশি হায়বসি মী অমগা অমগা কাঙলুপ অমগা অমগা, লৈবাক অমগা অমগগী মরক্তা চৎনরিবা লেনেচৎ ব্যবহার অদুবুনি। মী মীদগী হৌরকপা অদুনা লৈবাক শল্লকই অমদি পৃথিবী শীল্লকই। অদুনা থকশি খাশি, লমচৎ ব্যবহার ফজবা হায়বসি মী মীদুগী ইমুং মনুংদগী হৌরক্কদবনি। মমা মপানা মচাশিংবু পীক্লিঙৈদগী ফজবা ৱাঙাং শাঙাঙ, থকশিখাশি, চাওখৎপা লমচৎ ব্যবহার তম্বিবা তাবনি। থকশি-খাশি, লমচৎ ব্যবহার য়াওদবা, অঙম-অরায় খঙদবা মীদি ইনাক ফনা খুনসনু, মহৈ ফনা হৈসনু, মশকসু লাইগুম্না ফজশনু মাবু কনানসু তিন্ননীংলোই। মহাকতি মইক-মতাঙ য়াওরবা অমোৎপা ঈশিংগুম্বনি, অরেম্বদা পানবা ৱারক্কী তয়ালগুম্বনি, শম্বন্দা হৌবা তিংখংলৈ রাধিকা নাচোমগুম্বনি। মহাক তিম্নরগা চাওখৎপগী মহুতা মাঙথরক্কনি। অসিগুম্বা মীওই অসিনা মশীং য়াল্লবা সমাস অদু, অমগা অমগা তিন্নবা য়াদ্রবা, করম্না চাওখৎপা সমাস ওইরক্কনি। জ্ঞান লৈরবা, খন্থবা ঙম্বগী শক্তি লৈরবা মীওইনা পুল্লবা সমাজ অদুদি শোয়দনা চাওখৎকনি।

মী হায়বসি পুন্না লৈমিন্নবা জীব মখল অমনি। পুন্না লৈমিন্নবদগী অমগা অমগা নকশিন্নরকই, তিন্নরকই। অসুম্না তিন্নরকপসিদনি থকশি খাশি নাইবা নাইদবা হায়না খায়নরিবসি। তিন্নবগী মরু ওইবা পাম্বৈদি ৱা ঙাঙবনি। ৱা ঙাঙনদুনা অমনা অমগী পূক্নিং খঙনৈ চান্নৈ নত্রগা শাওনে। অদুনা ৱাঙাঙ শঙাং হায়বসি য়াম্না মরওই। মী অমগা অমগা খৎনরিবসি ৱা ঙাঙবদা থকশি খাশি থম্নরক্তবদগীনি। মৈতে পাউরৌদা হায়রি, মীনা শিবনা চীন্দা শানা শিবনা খোঙ্গুলদা। ব্যবহার য়াওদবা ৱাঙাঙনা মীবু শাওহল্লি। ব্যবহার নত্রগা থকশি-খালি নাইবা ৱাঙাঙনা মীগী থম্মোয়বু ইরায় লায়না জয় তৌবা ঙমই। অহলদা অহল হায়রগা ৱারৌই, অঙাংদা অঙাং হায়রগা শাউই। অদু ওইরবদি করম্বা থোৎ নৌবা ৱাহৈ লৈবগে হায়বসি খন্থদুনা য়েংবা তাই। অহলদা নমহায় তৌদুনা অহল হায়বগী মহুত্তা মৈতৈগী ফজখ্রবা মিঙ্গৌ তাদা, মাম্মা, খুড়া, পাবুং ইধৌ চহীগা চান্নবা অমা খল্লগা কৌ য়াই। অঙাং নহাশিংদসু কৌবা মতমদা 'ইবুংঙো' হায়না কৌনবসি থকশি খাশি নাইবা মিঙ্গৌনি।

91. থকশি খাশি লমচৎ ফজবা হায়বসি কদায়দগী হৌরক্কনি ?

(1) মচিন - মনাওদগী

(2) মমা - মপাদগী

(3) মরুপ - মপাংদগী

(4) ইমুং - মনুংদগী

92. অরেম্বদা পানবা ৱারক্কী তয়ালগুম্বনি। - করিগা চাংদম্নরিবনো ?

(1) থকশি খাশি য়াওদবা মীগা।

(2) অহল লমন্না হায়বা ইনবা অঙাংগা।

(3) মগুন য়াম্না লৈবা অঙাংগা।

(4) লমহেনবা অঙাংগা।

93. মীওইবনা অমগা অমগা তিন্নবগী পাম্বে করিনা ওইবগে ?

(1) থাজনবনা

(2) নুংশিনবনা

(3) ৱা-ঙাংনবনা

(4) পুকচেল তিন্নবনা

94. মীওইবনা অমগা অমগা খৎনরক্লিবসি করি মরমননো ?

(1) থকশি খাশি থম্নরক্তবা।

(2) ব্যবহার লৈনরক্তবা।

(3) ইকায় খুম্নবা লৈনরক্তবা।

(4) থাজক মাঙনরকপা।

95. "ৱাঙাং শঙাং হায়বসি য়াম্না মৰু ওই"
ৱাহৈ পরেংশিদা

(1) এডজেক্টিভ য়াওদে

(2) প্রোনাউন য়াওদে

(3) নাউন য়াওদে

(4) ভার্ব য়াওদে

96. 'থোৎ নৌবা' হায়বা কম্পাউন্দ ৱার্দসি

(1) নাউনগা ভার্বকা শেম্বনি।

(2) নাউনগা নাউনগা শেম্বনি।

(3) ভার্বকা ভার্বকা শেম্বনি।

(4) ভার্বকা নাউনগা শেম্বনি।

97. মখাগী ৱাহৈ পরেংশিংসিদগী এডজেক্টিভ য়াওবা ৱাহৈ পরেংদু করম্বনো ?

(1) ইবুংঙো লুক হারে।

(2) ইবুংঙো হায়বসি ফজবা মিঙ্গৌনি।

(3) ইবুংঙো হায়বসি ফ'জৈ।

(4) ইবুংঙো লেঙথোকখ্রে।

98. থকশি খাশি হায়বসি করিনো ?

(1) মীগা মীগগী মরক্তা লৈনরিবা মরীদুনি।

(2) চৎনরিবা লোনচৎ ব্যবহার অদুনি।

(3) উৎনরিবা নুংশিনবা অদুনি।

(4) উৎনরিবা ইকায় খুম্নবা অদুনি।

www.careerindia.com

99. থকশি খাশি য়াওদবা মীবু মীনা

(1) শান্ননিংদে

(2) ইকায় খুম্নদে

(3) তিন্ননিংদে

(4) লোয়ননিংদে

পীরিবা শৈরেং অসি পুন্না পারগা মখাদা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ু। ৱাহং (100-105)

শারবা কালেনগী নুংশাবু ঈংহনবা,
নুংঙাইবা উরুমদো পোত্থাফম ওইনবা
পীবিরি উপালনা ঐখোয়গীদমক্তা।
ওলাংথা মতমগী মৈশাবু নেমহনবা,
লিরিবা মালংদো হকচাংবু তেকখৎহনবা
পীবিরি উপালনা ঐখোয়গীদমক্তা।
অহাওবা উহৈসু ফজবা মপানসু
ফংজরি ঐখোয়না উপাল-হৈপালশিংদগী,
থৌজালবু হৈবনি নীংজগে মখোয়বু।

100. ওলাংথা হায়বসিনা করম্বা মতমবু খঙহনবগে ?

(1) নুংঙাইবা মতম

(2) অশাবা ঋতুগী মতম

(3) য়েন্নিং চোংলকপা মতম

(4) নিংথমথাগী মতম

101. উপালশিংদগী ঐখোয়না করি ফংবগে ?

(1) মৈ থানবা শীং

(2) উরুম ৱারুম

(3) অহাওবা উহৈ ফজবা মপাল

(4) অশাবা মৈশা

102. ওলাংথাগী মতমদা উপালনা ঐখোয়বু করি পীবিবগে ?

(1) নুংশিবা মনম হৈরাং লৈরাংগী

(2) চোকথরুরবা হকচাং তেকখৎহল্লি।

(3) ওমচারুবা হেনগৎহল্লি।

(4) অৱাবদা অৱাবা পী।

103. পীরিবা শৈরেং অসি পারগা মীওইবনা উপালবু করি হায়না নিংবা য়াবগে ?

(1) থৌজাল হৈবনি হায়না

(2) মীনুংশি চাউবনি হায়না

(3) মীওইবগী মতেং পাংবিবনি হায়না

(4) নুংশি হৈতবনি হায়না

www.careerindia.com

CAREERINDIA



**104.** মথক্তা পীরিবা শৈরেং অসি পারগা 'বা' না লোয়বা পরেং কয়া য়াওবগে ?

(1) পরেং অমা

(2) পরেং অনি

(3) পরেং অহুম

(4) পরেং মরী

**105.** শারবা নুংশাগী মৈশানা য়ৈরক্লবা মতমদা উপালনা ঐখোয়দা করি পীবগে ?

(1) উরুম পীদুনা ইংহল্লি।

(2) অশাবা নুংশাগী মৈশা পী।

(3) অইংবা নুংশিৎ পী।

(4) করিমত্তা পীবিদে।

মখাদা পিরিবা ৱাহংশিংসিগী খ্বাইদগী চান্নবা পাউখুম খল্লগা পিয়ু।

**106.** লোন খুদিংমক্কী মশাগী গ্রামার লৈজে অমদি

(1) রুলসু য়াওই

(2) স্টেটসু য়াওই

(3) সেন্টরসু য়াওই

(4) ময়েকসু য়াওই

**107.** লোন অহুমগী ফোর্মুলাগী মতুং ইন্না অহুমশুবা লোনসি

(1) লৈবাকসিদা লোইনা মান্নে

(2) সংস্কৃতখক্তানি

(3) হিন্দি ঙাংবা অমসুং হিন্দি ঙাংদবা স্টেটশিংদা খেন্নে।

(4) ফোরেন লোন অমা হেক্তা য়াই।

**108.** ওজা অমনা "নুপীমচা কল্লু নুপীমচা লাইরিক তমহনলু" পোস্টর অমা পুরক্লগা ক্লাসরুমগী ফকলাংদা থেৎলি মহাক্না মহৈরোইশিংদা মদু ফজনা য়েংলগা মদুগী মতাংদা পারাগ্রাফ মচা অমা ইয়ু হায় মসিদা ওজানা শিজিন্নরিবা পোস্টর সি

(1) অশেংবা/অচুম্বা মচাকনি।

(2) পুন্না য়াওরবা মচাকনি।

(3) শিজিন্নবা য়াবা মচাকনি।

(4) কান্নদবা মচাকনি।

**109.** Fluency হায়বসি

(1) ইবদা আশোইবা য়াওদবনি।

(2) গ্রামার পথাপ ফজনা শিজিন্নবা অমদি খংনবা হায়বা ঙম্বনি।

(3) ৱাহৈপরেংশিং ফজনা হায়বনি।

(4) ঙাংবা, পাবা অমদি ইবা ফজনা ঙম্বনি।

www.careerindia.com

CAREERINDIA



110. পাবদা বোতম-অপ এপ্রোচনা মিৎয়েং থমলিবসি

a. খোনথোক

b. সিলেবল

c. ৱাহৈপরেং

d. ৱাহৈ

e. ময়েক

(1) a d e b c

(2) a b c d e

(3) a e b d c

(4) b c a e d

111. মখাগী শিংসিদগী করম্বনা লোন তম্বগী **"Social interaction Theory"** দা য়ুমফম ওইবগে ?

(1) লোন তন্নীবশিংসি খরাহেন্না লুবা থাক্কী লোনগী মচাকশিংদা ঙাংন্ন শকনহনবা তাঙাইফদে।

(2) লোন তম্বসি language across curriculum দা মিৎয়েং থম্লগা তমগনি।

(3) লোন তম্বসি মহৈরোইশিংনা মতৌ তম্বা অমসুং মদু অমুক ঙাংনবা হোৎনবগী তানজা লৈরবা মতমদা তম্বী।

(4) মহৈরোইশিংনা খন্ন-নৈন্নবা অমদি ৱাহনথোকশিং খন্নবগী তানজা ফংবগী তঙাইফদবা লৈ

112. সবস্কিল অমা ওইনা হান্না হায়বাগা **(Prediction)** মরি লৈন্সরিবসি

(1) ড্রাফতিংগনি।

(2) শুপচিনবগনি (Summarising)।

(3) নোত শেম্বগনি (Note making)।

(4) পাবগনি।

113. মহৈরোইশিংনা অফবা থবক ফংনবা তানজাদা লোন তম্বগী অপাম্বগি

(1) মনুংগী ওইবনি।

(2) মপানগী ওইবনি।

(3) থবক্তা মপুং ওইবনি।

(4) ইগোদা মপুং ওইবনি।

114. খ্বাইদগী কান্নবা লোন তম্বগী ক্লাসতা মহৈরোইশিংদা পিবা তানজাসি

(1) খল্লগা নশাগী ৱাখল পিবনি।

(2) মতৌ তমবনি।

(3) অমগা অমগা ৱা ঙাংননবা পিবনি।

(4) অরানবশিং য়ামহন্দবনি।

115. ইন্‌কুসিভ ক্লাসৰুম অমদা তম্বীবদা ওজানা তৌগদবসি

(1) হেন্না খংবা মহৈরোইদা অশোনবা মহৈরোইশিংদু য়েংশিনল হায়বনি।

(2) মখল-মখা কয়াগী তম্বীবগী মওং শিজিন্নদুনা মখোয়বু য়োকখৎপিগদবনি।

(3) মখোয়গী দমক্তা প্রীন্সিপলদা তোঙানবা ওজা হাপনবা হায়গদবনি।

(4) স্কুলদা মখোয়না ইংনা-তপনা পুং তৰুক লৈহনবদা মতেং পাংগদবনি।

www.careerindia.com

CAREERINDIA



116. লোন হৈবাখংবদা মখাগী শিংসিদগী করম্বনা খ্বাইদগী মরু ওইবগে ?

(1) চপচাবা খোনথোক্না লোইননা পাবনি।

(2) লাইরিক্কী মনিংদা পিবা এক্সরসাইজশিংদু ঔরাইবনি।

(3) Accuracy অমসুং fluency লৈহনবনি।

(4) য়াম্না হোংবা নত্রগা মখল য়াওদবা তম্বীবগী মচাকশিং শিজিনবনি।

117. তম্বীবা হৈবা ওজা অমনা

(1) ওজানা ঙাংবগী মতমদ হেনগৎহনগদবনি।

(2) মহৈরোইশিংগী ঙাংবগী মতম হেনগৎহন গদবনি।

(3) মহৈরোইশিংনা ঙাংবগী মতম হন্থহনগদবনি।

(4) পুল্লপনা অমদি অনি পারগা তৌবা থবকশিং হন্থহনগদবনি।

118. প্রীন্ট রিচ (Print rich) ইনভাইরনমেন্টসি ______ অমদি _____ মচাক নি।

(1) স্কুল, ক্লাসরুম

(2) পাবা, ইশামক

(3) ইবাপাবা থোকপা, লোন

(4) ইশামক, মরুপশিং

119. মলতিলিগ্যালিজমসি লননি হায়রিবসি

(1) লোন ময়াম তম্বনি।

(2) অঙাংগী লোন্দা ৱাহৈ খুদিংগী ৱাহৈ মান্নবা পিবনি।

(3) অতোপ্পা লোন ঙাংবা হেনগৎহন্নবগী (language across curriculum) তম্বীবনি।

(4) থৌশিল (strategy) অমা ওইনা মহৈরোইগী লোন্দু শিজিনবনি।

120. চাওবসি নখোয়গী ক্লাসতা উবা ঙমদবা মহৈরোইনি। লৌনগী ওজা অমা ওইনা

(1) ঔরাইনবা ৱার্কশিত মখল মখা কয়াদা ৱাখল থমগনি।

(2) নংনা তম্বীবদা মখল-কয়াগী অউবা পোৎশিং শিজিন্নগনি।

(3) মখল-মখা কয়াগী হকচাংগী লেং-ওৎপা শিজিন্নগনি।

(4) য়াম্না শেংনা ঙাংলগা মরক-মরক্তা লেপ্লগা অমদি হকচাংদা শোকহনলগা ফাওবা মচাকশিং শিজিনগনি।

www.careerindia.com

CAREERINDIA



কেন্দিদেতশিংনা **Manipuri Language-II** লৌরবদি পার্ট-**V** গী ৱাহং **(121-150)** ফাওবগী পাউখুম পিনবা হোৎনগদবনি ।

Candidates should attempt the questions from **Part-V (Q.No. 121-150)**, if they have opted **MANIPURI** as **LANGUAGE-II** only.

www.careerindia.com

CAREERINDIA



## Part – V / ভাগ – V
## Language – II / ভাষা – II
## MANIPURI / মণিপুৰী

কেন্দিদেতশিংনা **Language-II মণিপুরী (Manipuri)** লৌরবদি **পার্ট-V (Part-V)** দগী ৱাহং **(121-150)** ফাওবগী ৱাহংশিংগী পাউখুম পিনবা হোৎনগদবনি।

**মখাদা পীরিবা ৱারেং অসি মুন্না পারগা মখাদা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী চান্নবা পাউখুম পীয়ু। ৱাহং** (121-128)

খোঙ কাঙজৈ হায়বা অসি মৈতৈশিংনা য়াম্না কুইরবা মতমদগী শান্নরক্লবা মশান্না অমনি। লাইরমলেন্দগী মীরম্লেন্দা কাঙজৈ শান্নবা অসি তমথরকপা ওইনা মৈতৈশিংনা লৌনরকই। খম্বা-থোইবীগী মতমদসু ঐখোয়না খুন্থক-খুনখা পানা অনী কাঙজৈ শান্নখিবগী ৱারী লৈরি। খোঙনা চেন্দুনা খূৎনা কাঙজৈ পায়দুনা কাঙদ্রুম য়ৈদুনা শান্নবা অদুবু খোঙ-কাঙজৈ হায়না খঙনৈ। শগোল মথক্তা তোংলগা থূত্তা কাঙজৈ পায়দুনা কাঙদ্রুম য়ৈদুনা শান্নবা অদুবুনা শগোল-কাঙজৈ হায়না কৌনৈ। অকল-অথৌশিংনা পাঙ্গল-লৌশিং চাং য়েংননবা অমদি নুংঙাইনবা শান্নবশিংগী মনুংদা মূক্না, কাঙজৈ, চেঞ্জোং, মাঙজোং, নুং হুনবা, শূক হুনবা, পৌ চিংনবা অসিনচিংবা অসি মৈতৈশিংনা মতম য়াম্না কূইরবগী মমাঙদগী তৌদুনা লাক্লবনি। মৈতে খুন্নাইগী খুন খুন্দা লৈবা শাগৈগী ওইরবসু খুনগী ওইরবসু উমং লাইশিংসি লৈবাক-নিংথৌ পাল্লিঙৈগী মতমদা কোনুংগী অমাইবা-অমাইবীনা শীন্দুনা মতম নাইনা কুমগী ওইনা হরাওনৈ। লাই হরাওবগী লাই-রোই নুমিত্তা খুন-খুন অদুগী অকল-অথৌ ময়াম থোক্তুনা মূক্না কাঙজৈ শান্নবা অসি চৎনরকই। মূক্নাদা খ্বাইদগী অথোইবা নুপা অদু কুম অমগী মকোক (যাত্রা) ওইরবা হায়না ময়াম্না মনা পীনৈ। মৈতৈগী খোঙ-কাঙজৈগী মশান্না অসি ঐখোয় মৈতৈগী তোও-তোপ্পা মওং অমনি। পৃথিবীগী করিগুম্বা মফমদা মৈতৈগী খোঙ-কাঙজৈগুম্বা মশান্না অমত্তা লৈতে। হোকী হায়দুনা শান্নরিবা মশান্না অসিগা খোঙ-কাঙজৈগা য়াম্না খৈন্নে।

মীগী মীচঙ খায়বদা মীচঙ অমদা মী তরেৎ তরেৎনা মীচঙ অমা ওইবা অসি চৎনরকই। কাং শান্নবদসু মী তরেৎনা মীচঙ অমা ওই। খোঙ কাঙজৈ শান্নবদসু মী তরেৎ-তরেৎনা মীচঙ অমমম ওইনৈ। খূৎ তরেৎ অসি শান্নবা মতমদা লাম্বা পানৈ। লাম্বা নাম্থোকখ্রবদি শান্নরোই অমনা কাঙদ্রুম মখূৎনা পায়দুনা মথন্নতা চেনখ্রগা পম্থুংফম লাল্লবদি পাঞ্জল অমা লৌই। মরম অসিনা কাঙজৈ লাম্বা অনী অদু মপাঙ্গন্দা, মথৌনাদা, হৈশিংবা মান্নদবা য়াদে অমনা অমদগী হেক হেনখিবদা হেল্লিবা শান্নরোই অদু মথন্তনা পাঞ্জল থোইননবগী মরম ওই। খোঙ কাঙজৈগী শান্নরোই অমনা অতোপ্পা শান্নরোই অমবু মখ্বাঙদা শেৎলিবা ফি অদু পায়রগা ফাবা য়াই। শান্নরোই অমনা কাঙদ্রুম য়ৈগে হায়না হাইগৎলকপা কাঙজৈ অদু শান্নরোই অমনা মাগী কাঙজৈনা খত্তোকপা নত্রগা লৌশিন্দুনা কাঙ দ্রুমদু য়ৈহন্দবা য়াই।

CAREERINDIA



121. খোঙনা চেন্দুনা খুৎনা কাঙজৈ পায়দুনা কাঙদ্রুম য়েদুনা শান্নবা মখল অদু করি কৌই।

(1) মূক্না কাঙজৈ

(2) খোৎ কাঙজৈ

(3) শগোল কাঙজৈ

(4) হোকী

122. খুনগী লাই হরাওবগী লাইরোই নুমিৎতা করি মশান্ন শান্নবা চৎনরকপগে ?

(1) মূক্না কাঙজৈ

(2) শগোল লমজেৎ

(3) খোঙ কাঙজৈ

(4) ফিবুল হাবী

123. মুক্নাদা খ্বাইদগী মকোক ওইবা নুপা অদু করি হায়না মীংথোল পীদুনা ইকায় খুম্নবগে ?

(1) কেপ্তেন

(2) লুচিংবা

(3) মূক্না যাত্রা

(4) অথৌবা

124. পৃথবীগী লম পুন্নমক্তা শান্নরিবা হোকী হায়বসিগা খোঙ কাঙজৈগী মশান্ন অনি অসি মান্নবরা ?

(1) খেন্নৈ

(2) মান্নৈ

(3) হায়বা ঙমদে

(4) খর খর মান্নৈ

125. খোঙ কাউজে শান্নবদা মী কয়া কয়ানা মীচং ওইনবগে ?

(1) মী মঙা মঙানা

(2) মী তরুক তরুকনা

(3) মী তরেৎ তরেৎনা

(4) মী মাপল মাপলনা

126. খোঙ কাঙজৈগী শান্নরোই অমনা অতোপ্পা শান্নরোই অমবু করন্না ফাবা য়াবগে ?

(1) মাংদা থৎতুনা ফাবা য়াই।

(2) মখ্বাংদা শেৎলিবা ফি অদু পায়রগা ফাবা য়াই।

(3) তুংলোমদগী তান্নদুনা ফাবা য়াই।

(4) অমনা অমবু ফাবা য়াদে।

www.careerindia.com

CAREERINDIA



**127. 'শান্নরোই' ৱাহে অসিগী চান্নবা অর্থ মখাদা পীরিবা ৱাহৈশিং অসিদগী খল্লু**

(1) শান্নগদবা মী।

(2) শান্নবা য়াওরিবা মী।

(3) শান্নবা য়াওগে খল্লিবা মী।

(4) শান্নববু য়েংলীবা মী।

**128. খোঙ কাঙজৈ অসি মৈতৈশিংনা করম্বা মতমদগী শান্নরক্লবনি হায়না লৌনবগে ?**

(1) লাই হাতক্তগী।

(2) য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী।

(3) নোংদা লাইরেন পাখংবনী মতমদগী।

(4) কিয়াম্বা নিংথৌগী মতমদগী।

**মখাদা পীরিবা ৱারেং অসি পুম্না পারগা মখাদা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী চান্নবা পাউখুম পীয়ু। ৱাহং (129-135)**

আশাগী -শুমহৎনবগী পাঙ্গল অঙকপগী মশকনি। থাউমৈগী মশক ওইরবা আশাগী মৃৎলি মৃৎলিবা মঙাল অদু য়েংদুনা মীওইবনা অমম্বা সংসারগী লম্বেন্দা চৎনরিবনি। আশানা নোকমি নোকমি তৌদুনা মীওইবগী পূক্নিং শুমহৎত্রবদি সংসার অসিদা মীওইবগী অৱাবা অসি য়াম্না হেনগদবনি। নুংশা মরক্তা লংফৈ চৎপশিংনা উনা অপূংবা উরুমদা পোথাদুনা অৱাবা খরদং হন্থবগুম্না সংসারদা হঙ্গৎ-হন্দা চৎলিবা জীবশিংনা আশাগী মরুমদা পোথাদুনা অৱা-অনা খরদং হন্থরিবনি। লায়রবনা থবৎ তৎলবা অয়ুক চারগা নুংদাং চরা হেল্লবা ফদি-ফরাতা শেৎতুনা লৈরিবা মী অসিসু মতম অমদা নুংঙাইরকখিগনি হায়না আশা তৌরি-অনাবগী মৈচারু। অহিঙ নুংথিল লাউ-খোংদুনতা লৈবা, শৰুদা উনশাতনা কৃপ্লবা অনাবা অসিসু মপাঙ্গল কল্লকখিগনি হায়না আশা তৌরি, মচা পোক্তদুনা মচাগী নোক-খেবা কুম্মৈ উবা ফংদ্রবা নুপা নুপী অসিসু মচা পোক্লকখিগনি হায়না আশা তৌরি। আশা হায়বা অসি পাম্বীগী অনৌবা য়েন্নিঙগা অম্মানি; অমুক্তং থদৎশ্লগা মদু মৰু ফংনা মাঙখিদে, অতোপ্পাময়োল অমা ইনৌ নৌনা অমুক চোংলকই। অহানবগী ময়োল অদু অমুক্তং থদৎলগা অদুম কংখিবা থোক্লবদি, নুংশিরবা মচা মচা, অদুতা য়েংদুনা মীওইবনা আশাগী লৈকোল কয়া কয়া শেম্নরিবা, অদুগুম্বা মচা অদুনা শিখিবদা মপা মমাগী থৱায় হিংবা ঙল্লোইদবনি। আশাগী অনৌবা ময়োল চোংলকপগী মতুং ইন্না, মতমগী ঈচেন্দা অৱা অনংবা ৱাখলগী শৰুক খরদং তাউখিবা মরমনা মীওইবনা মতম কুইনা পূক্নিং ৱাদুনা লৈতে। অদুগুম্বা আশাগী মঙান্না শকুন্তলানা মপূরোইবনা হুন্দোক্লবী, চঙজফম লৈত্রবী ওইদুনসু, উমংগী উখোঙ ৱাখোঙ নাক্তা লৈদুনা মথৱায় হিংবা ঙমখি; চিন্তা দেবীনা মপুরোইবা লৈত্রিঙৈদা হিদিঙ্গা ললোনবনা ফাখিদুনসু করিগুম্বা মওং অমা ওইনা হিংবা ঙমখি; সাবিত্রিনা শিরবা মপুরোইবৰু কোন্দুনা থমখি। শিদ্রিবমখৈ মীওইবগী আশানা অমুক কংবা নাইদে। শিবনা আশাগী ঙমখৈনি।

www.careerindia.com

CAREERINDIA



129. মীওইবা আশানা শুমহৎলমদ্রবদি করম তৌরমগনি ?

(1) অকিবনা থল্লমগনি।

(2) য়েংথিনবা হেল্লমগনি।

(3) অৱাবা য়াম্না হেল্লমগনি।

(4) নুংশিনবা হেল্লমগনি।

130. সংসারদা হঙ্গৎ হন্দা চৎলিবা জীব নন্দ্রগা মীওইবশিংনা কনাগী মরুমদা পোত্থাদুনা অৱা অনা খরদং হন্থনবগে ?

(1) আশাগী মরুমদা পোত্থাদুনা

(2) মমা মপাগী মরুমদা পোত্থাদুনা

(3) উজাওগী মরুমদা পোত্থাদুনা

(4) অমনা অমগী মতেং লৌনদুনা

131. লাইরবনা পৎ তৎলবা মীওইবনা করি আশা তৌদুনা হিংবগে ?

(1) লেপ্তনা হোৎনগনি।

(2) নোংমা নুংঙাইরকখিগনি।

(3) আশা অমত্তা তৌদে।

(4) অতোপ্পনা মতেং পাংবীরগা।

132. মীওইবনা খল্লিবা আশা হায়বসি ৱারেংসিদা করিগা চাংদম্নবগে ?

(1) চফুগা উয়ানগা

(2) লাইরবগী হিংনবা ৱাখলগা

(3) মমানা মচাদা খনবগা

(4) পাম্বীগী অনৌবা য়েন্নিংগা

133. আশাগী ঙমখৈ করিনা ওই ?

(1) নুংঙাইবা ফংবনা

(2) পন্থুং য়ৌবনা

(3) শিবনা

(4) ঙমলে লৈতে

134. 'শকুন্তলা' ৱাহৈ অসি ময়েক খায়দোকউ

(1) শ + ক + উ + ন + ত + ল + আ

(2) শ + ক + উ + ন + ত + লা

(3) শ + কু + ন্ত + লা

(4) শ + কু + ন + ত + অ + ল + আ

135. আশাদা অঙকপগী মশক অমা য়াওই । মদু করিনো ?

(1) মোমোন মিনোক

(2) শুমহৎনবগী পাঙ্গল

(3) অশাওবগী মশক

(4) অফিবগী মশক

www.careerindia.com

মখাদা পিরিবা ৰাহংশিংসিগী খ্বাইদগী চান্নবা পাউখুম খল্লগা পিয়ু।

**136.** লাইরিক্কী পন্দুপ অমা লোইরবা মতুংদা ওজানা মহৈরোইশিংদা নাওনগী মখলশিং (কমন নাওন প্রোপর নাওন অমসুং এবস্ট্রেক্ত নাওন) পুথোকউ অদুগা পিরিবা বোক্সতা ইয়ু হায় । মসিগী মতম্বীসি

(1) গ্রামারগী পথাপশিং চিনফা পুবনি।

(2) গ্রামার তম্বীবনি।

(3) গ্রামার ট্রান্সলেসন মেথদনি।

(4) য়াওফমদা (context) গ্রামার খংনবনি।

**137.** অঙাংশিংসি মশা খংদনা ৰা ঙাংবা হৌরকই মখাগী শিংসিদগী মদু করম্বনো ?

(1) মসি language learning নি।

(2) মসি language acquisition নি।

(3) অনিশুবা লোননি।

(4) মসি linguistic competence নি।

**138.** ওজা অনা ওইবা নংনা মহৈরোইশিংদা পাবগী অপাম্বসি করম্না লৈহনদগে ?

(1) তমলিবা লাইরিকতমক পাউ হায়বনি।

(2) পন্দুপশিংদুগী শমলপ্পা ইবশিংদু চিনফা পু হায়বনি।

(3) অঙাংশিংগী চহীগা চানবা মখোয়না পামগদবা লাইরিকশিং পাউ হায়বনি।

(4) মখোয়গী মমালোন্দা লাইরিকশিং হন্দোক্লগা ৰাহংশিংগী পাউখুমশিংদু পাউ হায়বনি।

**139.** মখাগীশিংসিদগী করম্বনা মহৈরোইশিংনা লোন তম্বগী থাক কয়াম খংলবগে য়েংবদা মতেং ওইবগে ?

(1) অঙাংশিংদুদা হান্না ফারবা শৈরেং অমা মখুৎ মশা য়াওরগা শৈরেংদু থিহনবনি।

(2) পন্দুপতু মমালোন্দা হন্দোকহনবনি।

(3) অঙাংশিংদুদা মখোয়গী ৰাখল্লোন অমসুং মখোয়গী পূক্নিংনা লৌশিনবা ঙস্বশিংদু মনিং তম্না ফোংদোকহনবগী তানজা পিবনি।

(4) অঙাংশিংদুদা শৈরেংদুদা শিজিন্নরিবা মফোংদোকশিংদু (poetic device) পুথোকউ হায়বনি।

**140.** তোপিক অমদগী ফংলকপা ৰাখল লৌশিংদা য়ুমফম ওইরগা মহৈরোইশিংদা মখোয়না তাপ্রবা পাসেজ অমগী ৰাহনথোক, ৰাহৈপরেং, ফ্রেজেজ অমদি ৰাহৈশিং পুথোকউ হায় । মসুম হায়না পুথোকপসি –

(1) বোতম অপ সবস্কিলনি।

(2) তোপ দাউন সবস্কিলনি।

(3) হোল লেঙ্গ্যাজ এপ্রোচনি।

(4) পুন্নমক য়াওবা এপ্রোচনি।

www.careerindia.com

CAREERINDIA



141. মখাগীশিংসিদগী করম্বনা মহৈরোইশিংগী লোন তম্বা হেনগৎহনবগী অফ ফওগী ৰাখল পিবদা খ্বাইদগী কান্নবসি করম্বনো ?

(1) ওজানা খুদক্তা মহৈরোইশিংগী অরাম্বশিংদু হায়বীগদবনি।

(2) ওজানা লোন শিজিন্নবদা য়াম্না ৰাবা মহৈরোইশিংদমক অফ ফত্তা হায়বী গদবনি।

(3) ওজানা error analysis তৌরগা অরানবশিং চুমথোক্নবা পোরম পুথোক্কদবনি। মসিদা মমালোন্না মরম ওইরগা লানবশিংদু য়াওহনলোইদবনি।

(4) ওজানা মহৈরোইশিংগী অরানবশিংদু হায়রোইদবনি মরমদি মহৈরোইশিংদুনা মখোয়গী অরানবা হায়বদু পামদবা য়াই খনবদগীনি।

142. তল্লিবা লাইরিক্তগী হেন্না তম্বসি

(1) তল্লিবা লাইরিক্তগী খরা হেন্না থাক ৰাংনা তম্বনি।

(2) তল্লিবা লাইরিক্তুগী মথক্তা অহেনবা মচাক পিবনি।

(3) তল্লিবা লাইরিক্তু মপুং ফানা তম্বগী দরকার লৈত্তে।

(4) তল্লিবা লাইরিক্কী থাকসি মহৈরোইশিংনা খংবগী ৰাংমদনি।

143. ওজানা লোনগী পন্দুপ অমা তম্বীবদা মহাক্না সাইন্স অমসুং সোসিয়েল সাইন্সকী পারাশিং শিজিন্নৈ অদুগা মদু পাউ হায় মরমদি মখোয়শিংদু লোনগী পন্দুপতুগা মরি লৈনৈ। মসিগী মতম্বীসি

(1) ইন্টর দিসিপ্লিনরিনি।

(2) লেঙ্গ্যাজ এক্রোস করিক্যুলমনি।

(3) প্লুরালিসতিক লেঙ্গ্যাজ টিচিংনি।

(4) সবজেক্ত লেঙ্গ্যাজ টিচিংনি।

144. লোন ঙাংবগী হৈশিংবসি হেনগৎহনগে হায়রবদি মহৈরোইশিংনা

(1) খংবদা ৰাবা অরুবা লাইরিকশিং পাগদবনি।

(2) ওজানা হায়বা খোনথোক অচুম্বশিং তাগদবনি।

(3) লোন্দু ঙাংনবা মফমদা ৰা ঙাংনগদবনি।

(4) ঙাংবদা অরানবা লোইনমক য়াওহনলো ইদবনি।

145. গ্রামার তম্বনা মহৈরোইশিংদা হেনগৎহনলিবসি

(1) ইবা পাবনি।

(2) চপচানা ঙাংবনি।

(3) ইবা, পাবা ঙাংবনি।

(4) ৰাহৈংশিং খংবনি।

www.careerindia.com

CAREERINDIA



**146.** ওজানা মহৈরোইশিংদা মখোয় মখোয়গা থংননা ফম্মিন্নরিবা মমান্নবশিংদুদা নোং তাবা নুমীৎ অমদা মখোয়না থেংনখিবা ৱারি অমা লিয়ু হায়। মসিগী কান্নবসি –

(1) মখোয়না ৱারি লিরিঙৈদা ক্লাসতু লাংনবনি।

(2) মখোয়গী ৱাখলশিং ফোংদোকপা হেন্না ঙমহনবনি।

(3) ক্লাসতা দিসিপ্লিন লৈত্তনবনি।

(4) অতম্বা লাইরিকশিং পারকপগী নুংঙাইওবদু লৌথোকপনি।

**147.** ইবগী মথং মনাও য়াওরিবসি –

a. ইদিত তৌবা

b. ব্রেনস্টোমিং

c. রিভাইস তৌবা

d. ড্রাফ্ট তৌবা

(1) a b c d

(2) b c a d

(3) a d c b

(4) b d c a

**148.** লোনগী ওজা অমনা মহৈরোইশিংদা মখোয়না খ্বাইদগী পাম্বা পোৎ মঙা মখোয়গী পোর্টফোলিওদা ইয়ু অদুগা অতৈনা লৌথোকউ হায় । অদুদগী মহাক্না মখোয়না খল্লিবা পোৎশিংদু করিগী খল্লিবনো হায়য়ু হায়। মসিগী ৱাখল্লোনসি

(1) পিয়র (peer) এসেসমেন্টনি।

(2) ইশাগী (self) এসেসমেন্টনি।

(3) ওজানা তৌবা এসেসমেন্টনি।

(4) সুপচিল্লগা য়েংবনি।

**149.** প্রাইমারিগী থাক্তা লোন তম্বদা মখাগী শিংসিদগী করম্বনা খ্বাইদগী মরুওইবগে ?

(1) অঙাংগী লাইরিকশিং

(2) পাওচে

(3) কম্প্যুটর

(4) ক্লাসতা থম্বা ইচম চম্বা অঙাংদা তম্বীনৱা পোৎশিং

**150.** মখাগী শিংসিদগী মহৈরোইশিংনা ঙাংবা ঙম্নবগী হৈশিংবা হেনগৎহনবদা খ্বাইদগী মরু ওইদবদু করম্বনো ?

(1) পোৎ অমা তাকপা

(2) মশাগী বাহৈদা ৱারি লিবা

(3) ওজানা ৱারি লিরবা মতুংদা অমুক ৱারিদু লিবা

(4) ৱাথোক অমা লিবা

www.careerindia.com

SPACE FOR ROUGH WORK

www.careerindia.com

CAREERINDIA



**মখাদা পীরিবা নীতি-নীয়মশিং (instruction) অসি য়াম্না চেকশিন্না পাউ :**

1. মখাদা পীরিবা ৱাহংশিংশি পাউখুম পীদ্রিঙৈগী মমাংদা চেকশিন্না পাগনি । মতুংদা চৈন্ত বুকলেট তা য়াওরিবলি অদুগী পাউখুম পীগনি ।
2. OMR অন্সর শীট কী অনীশুবা নাকন্দা ৱাহং খুদিংমক্কী পীরিবা কলম (column) মরিদুগী মনুংদা শুপ্পগী অচুম্বনি খল্লবা মফম অদুখক্তদা অমুবা / হীগোক মচু বোর পোইন্ট পেন্না ময়েক শেংনা মার্ক (mark) তৌগদবনি । অতোপ্পা মফম অমদা অনীশুনা মার্ক তৌবা য়াদে ।
3. কেন্দিদেট শিংনা অন্সর শীট তু থুপচিনবা, থেকচিনবন চিংবগী মওং অমত্তা তৌবা য়াদে । অন্সর শীট তা রোল নম্বর ইননবগীদমক্তা থমলিবা মফম অদুখক্তদা নশাগী রোল নম্বর ইগদবনি । অতোপ্পা মফম অমত্তদা ইশিনবা, য়েকশিনবা তৌবা য়াদে ।
4. টেস্ট বুকলেট (কোইসন পেপর) অমসুং অন্সরশীট অদু য়াম্না চেকশিনগদবনি, করিগুম্বা মরম অমত্তদসু (শুপ্পগী টেস্ট বুকলেট অমদি অন্সর শীট কী নম্বর মান্নরমদবদ্গী শিন্দোকপা নত্তনা) অনীদু শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌবা য়ারোই ।
5. কেন্দিদেট শিংনা টেষ্ট বুকলেট অমদি অন্সর শীট কী Code অমসুং নম্বর অদু (Attendance Sheet) তা ময়েক শেংনা চুম্না ইগদবনি ।
6. OMR পাউখুমচে অদু মেচিন্না পাগনি এডমিত কদিতা পিখিবা ইনফোরমেসন অদুগা খেন্নবা লৈহল্লোইদবনি । অদুনা ইনফোরমেসন অদু মপুং ফাদনা থমলমলোইদবনি ।
7. কেন্দিদেট শিংনা পরিক্ষা হোল/room দা মশাগী Admit Card নত্তনা করিগুম্বা মখলগী লাইরিক, অনম্বা চে-চাং, পেজর, মোবাইল ফোন, ইলেকত্রোনিক্স ডিভাইস নচিংবা পোৎ অমত্তা পুশিনবা য়াদে ।
8. মোবাইল ফোনশিং, ই-পাও ফাওদোক্নবা খুৎলাইশিং (সুইচ ওফ তৌরগফাওবা), অতোপ্পা পাম্বৈশিং পরিক্ষা হোল মনুংদা পুরকপা য়াদে । ৱারোলশিং অসি ইন্দ্রবদি নত্তবা পাম্বৈ শিজিন্নৈ হায়দুনা পরিক্ষাদ্গী তাম্থোকপা য়াওনা এক্সন লৌখৎকনি ।
9. ইনভিজিলেটর না হংলকপগা কেন্দিদেট শিংনা মশা-মশাগী Admit Card পুথোক্কদবনি ।
10. কেন্দিদেট অমত্তনা সুপরিনটেন্দেন্ট নত্রগা ইনভিজিলেটরগী অয়াবা য়াওদন মশাগী ফমফম থাদোকপা য়াদে ।
11. কেন্দিদেট শিংনা মশাগী অন্সর শীট তু ইনভিজিলেটর দা পীরমদনা অমদি এটেন্দেন্স শীট তা অনীরক হন্না sign তৌরমদনা পরিক্ষা হোল থাদোকপা য়ারোই । মশাগী অন্সর শীট তু পীরম্লবসু এটেন্দেন্স শীট তা অনীরক হন্না sign তৌরমদ্রবা কেন্দিদেট শিংদি unfair means কী case ওইনা লৌগনি ।
12. পরিক্ষা হোল মনুংদা ইলেক্ত্রোনিক/মেন্যুল কালকুলেটর শীজিন্নবা য়াদে ।
13. কেন্দিদেট শিংনা পরিক্ষা হোল মনুংদা পরিক্ষা থারিঙৈদা বোর্ডকী Rules and Regulations ঙাক্না চৎকদবনি । Unfair means নচিংবা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোকলকপদা বোর্ডকী Rules and Regulations কী মতুংইন্না ৱারেপ লৌগনি ।
14. টেষ্ট বুকলেট নত্রগা অন্সর শীট কী করিগুম্বা মফম অমত্তদা শেগায়-তুগায়বনচিংবা তৌবা য়ারোই ।
15. **পরীক্ষা হেক লাইবগা কেন্দিদেট শিংনা মাগী-মাগী অন্সর শীট তু পরিক্ষা হোলদুদা লৈরিবা ইনভিজিলেটর দুদা খুৎশিন্নরম্লগা মশা-মশাগী টেষ্ট বুকলেট তু পুরগা থোকখিগদবনি ।**

www.careerindia.com

CAREERINDIA



**निम्नलिखित निर्देशों को ध्यान से पढ़ें :**

1. जिस प्रकार से विभिन्न प्रश्नों के उत्तर दिए जाने हैं उसका वर्णन परीक्षा पुस्तिका में किया गया है, जिसे आप प्रश्नों का उत्तर देने से पहले ध्यान से पढ़ लें ।
2. प्रत्येक प्रश्न के लिए दिए गए चार विकल्पों में से सही उत्तर के लिए OMR उत्तर पत्र के **पृष्ठ-2** पर केवल एक वृत्त को ही पूरी तरह **काले/नीले बॉल पॉइन्ट पेन** से भरें । एक बार उत्तर अंकित करने के बाद उसे बदला नहीं जा सकता है ।
3. परीक्षार्थी सुनिश्चित करें कि इस उत्तर पत्र को मोड़ा न जाए एवं उस पर कोई अन्य निशान न लगाएँ । परीक्षार्थी अपना अनुक्रमांक उत्तर-पत्र में निर्धारित स्थान के अतिरिक्त अन्यत्र न लिखें ।
4. परीक्षा पुस्तिका एवं उत्तर पत्र का ध्यानपूर्वक प्रयोग करें, क्योंकि किसी भी परिस्थिति में (केवल परीक्षा पुस्तिका एवं उत्तर पत्र के संकेत या संख्या में भिन्नता की स्थिति को छोड़कर) दूसरी परीक्षा पुस्तिका उपलब्ध नहीं करायी जाएगी ।
5. परीक्षा पुस्तिका / उत्तर पत्र में दिए गए परीक्षा पुस्तिका संकेत व संख्या को परीक्षार्थी सही तरीके से हाज़िरी-पत्र में लिखें ।
6. OMR उत्तर पत्र में कोडित जानकारी को एक मशीन पढ़ेगी । इसलिए कोई भी सूचना अधूरी न छोड़ें और यह प्रवेश-पत्र में दी गई सूचना से भिन्न नहीं होनी चाहिए ।
7. परीक्षार्थी द्वारा परीक्षा हॉल/कक्ष में प्रवेश-पत्र के सिवाय किसी प्रकार की पाठ्य-सामग्री, मुद्रित या हस्तलिखित, कागज़ की पर्चियाँ, पेजर, मोबाइल फोन, इलेक्ट्रॉनिक उपकरण या किसी अन्य प्रकार की सामग्री को ले जाने या उपयोग करने की अनुमति नहीं है ।
8. मोबाइल फोन, बेतार संचार युक्तियाँ (स्वीच ऑफ अवस्था में भी) और अन्य प्रतिबंधित वस्तुएँ परीक्षा हॉल/कक्ष में नहीं लाई जानी चाहिए । इस सूचना का पालन न होने पर इसे परीक्षा में अनुचित साधनों का प्रयोग माना जाएगा और उनके विरुद्ध कार्यवाही की जाएगी, परीक्षा रद्द करने सहित ।
9. पूछे जाने पर प्रत्येक परीक्षार्थी, निरीक्षक को अपना प्रवेश-पत्र दिखाएँ ।
10. केन्द्र अधीक्षक या निरीक्षक की विशेष अनुमति के बिना कोई परीक्षार्थी अपना स्थान न छोड़ें ।
11. कार्यरत निरीक्षक को अपना उत्तर पत्र दिए बिना एवं हाज़िरी-पत्र पर दुबारा हस्ताक्षर किए बिना परीक्षार्थी परीक्षा हॉल/कक्ष नहीं छोड़ेंगे । यदि किसी परीक्षार्थी ने दूसरी बार हाज़िरी-पत्र पर हस्ताक्षर नहीं किए, तो यह माना जाएगा कि उसने उत्तर पत्र नहीं लौटाया है और यह अनुचित साधन का मामला माना जाएगा । **परीक्षार्थी अपने बाएँ हाथ के अंगूठे का निशान हाज़िरी-पत्र में दिए गए स्थान पर अवश्य लगाएँ ।**
12. इलेक्ट्रॉनिक / हस्तचालित परिकलक का उपयोग वर्जित है ।
13. परीक्षा हॉल/कक्ष में आचरण के लिए परीक्षार्थी बोर्ड के सभी नियमों एवं विनियमों द्वारा नियमित हैं । अनुचित साधनों के सभी मामलों का फैसला बोर्ड के नियमों एवं विनियमों के अनुसार होगा ।
14. किसी हालत में परीक्षा पुस्तिका और उत्तर पत्र का कोई भाग अलग न करें ।
15. **परीक्षा सम्पन्न होने पर, परीक्षार्थी हॉल / कक्ष छोड़ने से पूर्व उत्तर पत्र कक्ष-निरीक्षक को अवश्य सौंप दें । परीक्षार्थी अपने साथ इस परीक्षा पुस्तिका को ले जा सकते हैं ।**

**READ THE FOLLOWING INSTRUCTIONS CAREFULLY:**

1. The manner in which the different questions are to be answered has been explained in the Test Booklet which you should read carefully before actually answering the questions.
2. Out of the four alternatives for each question, only one circle for the correct answer is to be darkened completely with **Black/Blue Ball Point Pen** on **Side-2** of the OMR Answer Sheet. The answer once marked is not liable to be changed.
3. The candidates should ensure that the Answer Sheet is not folded. Do not make any stray marks on the Answer Sheet. Do not write your Roll No. anywhere else except in the specified space in the Answer Sheet.
4. Handle the Test Booklet and Answer Sheet with care, as under no circumstances (except for discrepancy in Test Booklet Code or Number and Answer Sheet Code or Number), another set will be provided.
5. The candidates will write the correct Test Booklet Code and Number as given in the Test Booklet / Answer Sheet in the Attendance Sheet.
6. A machine will read the coded information in the OMR Answer Sheet. Hence, no information should be left incomplete and it should not be different from the information given in the Admit Card.
7. Candidates are not allowed to carry any textual material, printed or written, bits of papers, pager, mobile phone, electronic device or any other material except the Admit Card inside the examination hall/room.
8. Mobile phones, wireless communication devices (even in switched off mode) and the other banned items should not be brought in the examination halls/rooms. Failing to comply with this instruction, it will be considered as using unfair means in the examination and action will be taken against them including cancellation of examination.
9. Each candidate must show on demand his / her Admit Card to the Invigilator.
10. No candidate, without special permission of the Centre Superintendent or Invigilator, should leave his / her seat.
11. The candidates should not leave the Examination Hall/Room without handing over their Answer Sheet to the Invigilator on duty and sign the Attendance Sheet twice. Cases where a candidate has not signed the Attendance Sheet second time will be deemed not to have handed over the Answer Sheet and dealt with as an unfair means case. **The candidates are also required to put their left hand THUMB impression in the space provided in the Attendance Sheet.**
12. Use of Electronic / Manual Calculator is prohibited.
13. The candidates are governed by all Rules and Regulations of the Board with regard to their conduct in the Examination Hall/Room. All cases of unfair means will be dealt with as per Rules and Regulations of the Board.
14. No part of the Test Booklet and Answer Sheet shall be detached under any circumstances.
15. **On completion of the test, the candidate must hand over the Answer Sheet to the Invigilator in the Hall / Room.** ***The candidates are allowed to take away this Test Booklet with them.***

www.careerindia.com